# ‘ঙল্লিঙৈ মতমদা নুপীশিংগী ফিদা থমদুনা লাকই’

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): দিমোক্রিটিক ষ্টুদেন্টস এলায়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না শিন্দুনা ইন্টর্নেসনল ৱিমেন্স দে ২০২০গী থৌরম ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসাম ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১২গী কোর্পোরেটর পোটশঙবম প্রেমিলা, দেসাম ময়াই লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট নমাইরাকপম ইদিসন মৈতৈ, দল্লিয়ু এ এস ই দি ই ভিগী প্রসিদেন্ট আর কে থরাকসনা অমদি মৈরা ফুদকী প্রোপ্রাইটর সুভরানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী থিমনা আই এম জেনরেসন ইক্বেলিটি: রিএলাইজিং ৱিমেন্স রাইটস হায়বসিনি। থৌরম অদুগী কি নোটকী ৱারোল পীরদুনা দেসাম ময়াই লোইশঙগী ৱিমেন ৱেলফেয়র সেক্রেটরি সনৌজম নিকিতানা ফোঙদোকখিবদা, দেসামনা করিগীদমক্তা ইন্টর্নেসনল ৱিমেন দে পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মরমদি, খোঙ নাম্মতনা লমজেল চেনবা য়াদবগুম লৈবাক অমা নত্ত্রগা খুন্নাই অমা চাউখৎপা হায়বসিসু নামতনা য়াদে।

নুপা অমদি নুপী থোং মান্ননা চৎমিন্নবা মতমদা ওইথোক্কদবনি। মালেমগী অতৈ মফমশিংদগী থোইদোক হেন্দোক্লা লমদমসিগীদি নুপীগী অচৌবা ফিদা অমা থমদুনা লাকই। অদুগা অচৌবা থৌদাংসু লৌদুনা লাকখিবনি। মসি ঐখোয়গী পুৱারিনা খুদমনি। লমদমসিগী নুপীশিংদি লানঙম্বীনি, থৌনা লৈবীনি।

১৫শুবা চহী চাদা পানখিবা নিংথৌখোম্বগী সনা হাক্তক্তা নিংথৌ লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা য়েক্লবশিংনা লান্দরকপদা লৈমা লিন্থোইঙানবীনা লূচিংদুনা নুপী খক্তগী ওইবা লানমী তেঙ্গোল শেমগৎতুনা য়েক্লববু মাইথিবা পীদুনা মণিপুরগী নিংতম্বা ঙাকখি। অসুম্না ঙসিগী মণিপুর অসি নুপীশিংনা নিংতম্বা ঙাক্তুনা ওইরকখিবনি।

পিথৈ লৈমানা লূচিংবা নুপী লানমী তেঙ্গোলনা তাংদা খুলদা চত্তুনা হুইয়েন লান্দাদুনা লানঙমখি। মসিদগী লৈমা পিথৈ লৈমাবু তাংজা খোম্বী হায়না লমদমসিগী পুৱারিদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈরি।

১৮শুবা চহী চাদা নিংথৌ চিংথংখোম্বা (ভৈগ্যচন্দ্র)গী মনাও ইবুংঙো গৌরাশ্যামগী মমোম কুরঙ্গানয়ানিনা রাঘোপ নিংথৌ হাৎতুনা অহোম লৈবাক কনখিবগী ৱারি ঙসিসু অসামগী মীয়াম্না শৈথানরি। অসিগুম্লবা ৱারিশিং অসি ঙসি ইন্টর্নেসনল ৱিমেন্স দেগী নুমিৎ অসিদা দেসামনা নৌহৈনা নিংশিংলি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মৈরা ফুদকী প্রোপ্রাইতর হঞ্জবম সুভরানানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক্কী থৌগাই পুবদা অমদি ৱারেপ লৌবদা নুপীশিংসু শরুক য়াহনগদবনি। নুপা-নুপী থোং মান্ননা চৎলবা মতম অদুদা লমদম অসি চাউখৎকনি। অমদি ইংনা-চিক্না পানবা লমদম অমসু ওইবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরমদুদা দেসামগী প্রসিদেন্ট নমৈরাকপম ইদিসননা ফোঙদোকখিবদা মতমগী মমল খঙনা মতম চানা থবক তৌবা পাম্মী। ঙল্লিঙৈ মতমদা লমদম অসিদা নুপী-নুপা অনী অসি থোং মান্ননা অমদি চপ মান্নবা হক লৈরম্বা অদু করম্বা মতমদগীনো হন্থরক্লিবা অসি ঙসিগী মীরোন্না নৈনবা য়াম্না মথৌ তাই হায়খি।

# লুপা ফুদোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

সিলচর, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ঙসি মণিপুর থিএটর সেন্টর অমামনা শিন্দুনা সিলচরগী গান্ধি ভৱনদা লুপা ফুদোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ডা. কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বম, প্রসিদেন্ট মণিপুরী থিএটর সেন্টর অসাম; ঙাঙোম জয়কুমার, প্রসিদেন্ট, অসাম মণিপুর সহিত্যা পরিষদ; মেঘচন্দ্র খোঙবম, রিটায়র্দ দি আই পি আর, ইম্ফাল; আই এস থিঙোম, সহিত্যা ভুসন; প্রোফেসর মাখোনমনি মোংসাবা, ফিল্ম দিরেক্টর, ইম্ফালনা মথংশিংনা থৌরম মপু, মীথুংলেন অমদি মীথুংশিং ওইনা ফমফমলাংদা ফমখি।

সরত থোকচোম, জিরিবাম-জিরিবামদা মণিপুরী থিএটরগী খোঙহৌ অমদি খোঙচৎ, ডা. সগাপম মেরিনা, সিলচর- বারাক তম্পাক্কী মণিপুরী থিএটরদা নুপী আর্টিষ্টশিংগী মফম অমদি এদভোকেট ধিরেন কব্রবম, ট্রিপুরানা ট্রিপুরাদা মণিপুরী থিএটরগী মীৎয়েং অমা হায়বা টোপিকশিং অসিদা সেমিনার পেপর পাথোকখি। রিসোর্স পর্সনশিংনা পেপর পাথোকখিবশিং অদুদা ইন্দ্রবাবু য়ুম্নাম, থিএটর দিরেক্টর অমসুং প্লে রাইটরনা ৱাতেম্বীখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ডা. কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বম, প্রসিদেন্ট, মণিপুর থিএটর সেন্টর অসামনা হায়খিবদা, ঙসি অসামগী মণিপুরী থিএটর সেন্টরগী চহী ২৫ শুরকপগা লোয়ননা লুপা ফুদোংবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অসিদা মরু ওইনা মণিপুরী থিএটরনা নোংমা-নোংমগী মরু ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরীশিংদা থিএটরনা পীরিবা কান্নবা কয়াশিং অদুবু পাক শন্না খঙহন্নবা তৌজবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা থিএটরগী মরমদা পেপর পাবা, থিএটরদা কখোল্লবা শক্লাইরবা মীওই কয়া এৱার্দ পীবা অমসুং দান্স দ্রমাগা লোয়ননা নাটকী ওইবা জগোই উত্তুনা থৌরম অসি পাঙথোক্লি হায়খি।

মখা তানা হায়খিবদা, মণিপুরী থিএটরনা বরাক তম্পাক্তা খুন-খুন খুদিংদা লীলা-দ্রমা শান্নবা মশিং য়াম্না লৈরম্মী অদুবু ঙসিদি উবা ফংলক্ত্রে, মতৌ করম্না অমুক থিএটরগী ফিল্ড অসি হিংগৎহনগনি অমদি নৌনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু মতৌ করম্না থিএটরগী লমদা প্রোমোট তৌগনি অমদি খুন্নাই অমা চাউখৎহনবদা থিএটরগী রোল য়াম্না লৈ হায়নাসু ফোঙদোকখি।

শক্লাইরবা অইবা অমদি থিএটর এক্টিভিষ্ট গুলাপ লাইশোম, হোজাইদা মাইমোম তোমাল থম্বাল মেমোরিএল এৱার্দ অমদি ট্রিপুরাগী শক্লাইরবা ফিল্ম এক্টর ওইবতা নত্তনা থিএটর আর্টিষ্ট এদভোকেট ধিরেন কব্রবমদা ৱাহেংবম ওংবী মোম্বী দেবী এৱার্দ খুৎশিন্নখি।

## লৈকোই পুখ্রি ফুনবা য়ারোই

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): পুৱারিগা শাগোন্ননা লৈবতা নত্তনা মোইরাংগী মীয়াম্না মৈহৌ-লাংপোক, য়ুমগী চানা-থক্লবা শিজিন্নরিবা মোইরাংগী লৈকোই পুখ্রি (ষ্টেট পুখ্রি) ফুনবা য়ারোই হায়না লৈকোই পুখ্রি প্রোটেক্সন এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মোহোনচন্দ্রনা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পুখ্রি অসিগী পাক চাউবা নোংপোক-নোংচুপ্তা মিটর ৫৭ অমদি অৱাং অমসুং খাদনা মিটর ৫৫নি। পুখ্রি অসিদা হৌজিক-হৌজিক এ সী অসিগী এম এল এনা মহাক্কী ৱার্কস প্রোগ্রামদা হাপ্লগা ফুনজিল্লক্লিবা অসি মোইরাং মীয়ামগী মায়োক্তনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা পুখ্রি ফুঞ্জিল্লক্লিবা অসি লেপত্রবদি লোগী মতেং লৌরগনি হায়রি। পাউগী মীফম অদুদা কম্মিটি অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

## লালহৌবা ৩ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): থৌবাল কম্মান্দো অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা থৌবাল ৱাংমা তাবা মনাক্কী ওতো পার্কিংদা থি-হুম্বা চত্থবদা কে ৱাই কে এলগী নুপী কাদর অমা ফারে।

ফারবা নুপী অদুগী মমিংনা ওক্রম লোইদাং (৭০), মপুরোইবা মুনাল কৌই। মহাক ওক্রম ৱাংমা তাবা থৌবালদা লৈবনি। মহাক্কী মথক্তা থিগৎনবা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা প্রিপাক প্রোগি নুপী কাদর ২ চীংমৈরোংগী চীং-তম হোটেল মমাংদগী ফারে হায়রি।

ফারবা নুপী কাদর অনী অদুদি থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী লাক্লগা হৌজিক্লা চীংমৈরোং ট্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা লৈবা থোকচোম ওংবী সিলা এলিয়স অতোনফি অয়ুংসি (৪৬), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা কে ঐচ শান্তি অমদি থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দগী লাক্লগা হৌজিক্লা চীংমৈরোং ট্রাফিক আইলেন্দ মনাতা লৈবা লৈচোংবম ওংবী মীনা (৪৬), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এল শরত কৌই।

ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা ৱাহং-পাউহং চত্থনবগীদমক ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা খুৎশিন্নখ্রে।

## কৈখুগী মুস্লিম খুল মনাক্তা ১ শিরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী কোনবা কৈখু মুস্লিম ময়াই লৈকায়গী তুরেল মপান্দা ঙরাং অয়ুক নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদু মশক-মমিং খঙবা ঙমদ্রি। ইরিলবুং পুলিসনা লৌখৎলগা মশক খঙদোক্লবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। মহাক দ্রগ ওভরদোজ ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

মহাক্কী মশাদা অঙৌবা টি সর্ট অমগী মখাদা খুদাং অচোনবী অমা লিৎলি, জিন্স খোঙগ্রাও অমা শেৎলি, হঙ্গামপালগী জেকেট অমা মনাক্তা তারম্মী, য়েংবদা মুস্লিম মাল্লি, চহী ৩০ রোমগী লেঙ্গা ওইগনি, মশা নোই, কুচু মুই হায়রি।

# এ আরনা শা-ষণ হিদাক কাপথোকখ্রে; লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ওপরেসন সদভাবনা প্রোজেক্ট ২০১৯-২০গী শরুক অমা ওইনা ২৬শুবা অসাম রাইফলস য়াইরিপোক পোষ্ট, থ্রি আর্মি দোগ য়ুনিট হোস্পিটাল লৈমখোঙনা ওল তুলিহল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এ টি য়ু সী ও) য়াইরিপোক তুলিহলগা খুৎশম্নদুনা ঙরাং য়াইরিপোক তুলিহল ময়াই প্লেগ্রাউন্দদা নোংমগী ওইবা ফ্রি ভেটিরিনরি কেম্প অমদি মেদিকেল হেল্থ চেকঅপ অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মতৌ করম্না কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা এৱ্যেরনস অমসু পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (এস)কী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা শা-ষণশিংদা নাবা লায়নাশিং ঙাকথোক্লবা হিদাক কাপথোকখি। লোয়ননা লমদম অদুগী মীওই কয়াদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবাসু পীখি।

কেম্প অদুদা ষণ, হুই, হামেংনচিংবা শা ১৫০ রোম হিদাক কাপথোকখি। অমদি মীওই ৩০০ লোমদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা হিদাক-লাকথকসু লেম্না পীখি। কেম্প অদুগী শরুক অমা ওইনা কোরোনাভাইরসকী মতাংদাসু অখঙ-অহৈশিংনা মীয়ামদা এৱ্যেরনেসসু পীখি।

২৬শুবা অসাম রাইফলস য়াইরিপোক পোষ্টকী মেজর ওইনাম সুরজনা হায়খিবদা ওপরেসন সদভাবনা প্রোজেক্ট ২০১৯-২০গী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা কেম্প অসিদা মীয়াম্না থোকপীরক্তুনা সপ্পোর্ট তৌবীরকপবু থাগৎলদুনা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা শা-ষণ অমদি উচেকনচিংবা কয়াদা ফ্রি মেদিকেসন অমদি সেন্সিটাইজেসন কয়ামরুমসু তৌখ্রে হায়খি।

# ইন্টর্নেসনল ৱিমেন্স দেগা মরী লৈননা কেন্সর এৱ্যেরনেস এন্দ স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ফেদেরেসন ওফ ওবষ্টেট্রিক এন্দ গাইনেকোলোজিকেল সোসাইটিস ওফ ইন্দিয়া না ইন্টর্নেসনল ৱিমেন্স দেগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিস অমদি সী আর পি এফকী ষ্টাফশিংগা খুৎশম্নরগা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা কেন্সর এন্দ স্ক্রিনিং কেম্প অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বার্টর, বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ওবষ্টেট্রিক এন্দ গাইনেকোলোজিকেল সোসাইটিস, মণিপুর ওনকোলোজি সোসাইটি ইম্ফাল, দিপার্টমেন্ট ওফ ওবষ্টেট্রিক এন্দ গাইনেকোলোজি রিমস, দিপার্টমেন্ট ওফ ওবষ্টেট্রিক এন্দ গাইনেকোলোজি জেনিমস, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ইনসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক প্রাইভেট লিমিটেদ, ইম্ফালগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা মরু ওইনা নুপী পুলিসশিং অমদি অকোইবগী নুপীশিংদা ব্রেষ্ট এন্দ সর্ভিকেল কেন্সরনচিংবা লায়নাশিং কুপ্না ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা স্মিয়র টেষ্ট অমসুং অল্ট্রাসাউন্দনচিংবা লৌখি। ঙসিগী কেম্প অদুদা স্পেসলিষ্ট ডোক্তরশিং য়াওনা পুন্না ডোক্তর ২৫না কেম্প অদুনা শরুক য়াখি।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা এস পি বিষ্ণুপুর প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রম, এম পি এসনা হায়খিবদা, কেম্প অসি মরু ওইনা নুপী পুলিস অমদি এক্টিভ সর্ভিসতা মথৌ তৌরিবা নুপীশিংনা দ্যুতিনা মরম ওইরগা কেন্সর মখল অসিগী টেষ্ট তৌবা মতম ফংদবনা হঞ্জিল্লক্লবা মতমদা খঙলকপদগী অরুবা ফিভমদা অৱাবা মায়োক্লবা কয়া য়াওরি। মণিপুরগী নুপীশিংনা কেন্সর মখল অসিগী টেষ্ট তৌবগী চাং য়াম্না নেম্লি।

নৌরিঙৈদা লায়েংলবদি লায়না অসি য়াম্না লাইনা ফাহনবা ঙম্মি। মরম অদুনা কেন্সর অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীনবগী পান্দমদা অমদি মরু ওইনা নুপী পুলিসশিংদা টেষ্ট অসি তৌবগী খুদোংচাবা পীনবা কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

পাঙথোক্লিবা মেদিকেল কেম্প অদুদা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

## রিক্রেসন পার্ক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়দা লৈবা য়ং সোসল সর্ভিস য়ুনিয়নগী নৌনা শাবা রিক্রেসন পার্ক অমা ঙসি রাজ্য সভাগী এম পি কে ভবানন্দনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি এন জিওফ্রি (আইএ এস) অমদি ৱাইএস এস য়ুগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ মঙ্গিনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরক য়াখি।

ꯁꯟꯗꯣꯛꯄ / খঙহঞ্জবা

নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএসন ‘নিসা’ গী চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা নিসা লোট্টরি ২০২০, মার্চকী তাং ০৯দা ওৎচগনি হায়না লেপচরম্বা অদু হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজাম লৈবা মরম্না মহৈরোয়গী লূপশিংনা এগজাম লোইদ্রিবা ফাওবা অথিংবা থমখিবগী মতুংইন্না লাক্লিবা মার্চকী তাং ২৫ শজিবু নোংমা পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ওইনা নিসা লোট্টরি ওৎচগনি।

Sd/- R.K. Ningthemsana
Secretary
North Imphal Sporting Association
HL-P/6282

SAINIK SCHOOL IMPHAL
RATE QUOTATION

1. Sealed Rate Quotations are invited from authorised dealers/suppliers/distributors for supply of stationery items.

2. Please visit the School Office for collection of details of the items. Last date for receipt of Quotations is **14 Mar 2020**.

HL-P/6582/9

ꯁꯨꯃꯥꯡ ꯂꯤꯂꯥ / শুমাং লীলা

শান্নজরে শান্নজরে শান্নজরে

১) তমগী ওজা (নুংশিবগী চৈনা)
২) কৈদৌঙৈ লাক্কনি তামোচা (করিগীদমক ঙাইরিবা)
ইমুং-মনুং পূন্না য়েংমিন্নবা য়ারবা।
বার্তন লৌফম : জয়প্রকাশ, য়ুম্নাম খুনৌ।
লীলা ইবা : ডা. শশীকুমার য়ুরেম্বম
#9862948489/ 9862596335
HL-P/6593/9

ꯌꯨꯝꯂꯣꯟ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

**UNACCO School** গী হেক ওপোজিৎ, মালোমদা লৈবা য়ূম্ফম থোনবা লোইরবা পোইন্ট ০.৩২ চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। **Broker** ওইরবদি ফোন তৌবীরক্কনু।

**Pliz Contact : 8787555631**
**9862735326**
HL-P/6584/8,9

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6081/25/2to27/3(alt.)

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

CRASH COURSE 2020

For NEET (Medical) Aspirants

Class commencement from: - 16th March 2020

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS

- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2018) (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2018) Through Screening Test.
- Special concessions for all COMET School students (Limited seats)

Prospectus and Admission form available from : 20/01/2020

FIRST COME FIRST SERVE

For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near , Airport Road Imphal

HL-B/6012/4,6,8,9

INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY (IIBIT)

Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank

GSTIN : 18AAFF01723H17K Branch Code : IIBIT06684

Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following position:-

1. **CSD :** Customer Service Officer for Female Graduate Candidate.
2. **Phone Banking Executive :** Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/ Female) both can apply.
3. **Branch Executive :** Any Graduate with age below 32 yrs.
4. **Loan Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
5. **Loan Development Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
6. **Operation Department :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
7. **Processing Executive :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
8. **Senior Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
9. **Sales Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
10. Free 3 months Computer Course.
11. 3 Months English and Hindi Course.
12. **BRE/BRM :** 10+2 can apply with Fluent both English & Hindi.

**N.B. BRE (Branch Relationship Executive) & BRM (Business Relationship Management)**

*Please visit to the IIBIT Office Kakching*

*Please Contact : IIBIT, Kakching Branch*
**# +91 8837318822, +91 8575836481, +91 8014066918**
HL-B/6062/15/2-20/3

FUSION TUTORIAL CENTRE

Run by a group of CBSE well experienced Senior Teachers

Admission open

6 Months Foundation Course for Class IX, X, XI & XII

CBSE ONLY

CLASS STARTS FROM 8th APRIL 2020

FREE » 15 DAYS BASIC COURSE FOR XI SCIENCE FROM 20 MARCH

4:30pm-7:40pm 9856186685, 9856207116

Sagolband Moirang Leirak Machin, Imphal West-795 001

HL-P/6484/23/2-23/3(alt.)

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career

ADMISSION OPEN

CRASH COURSE FOR NEET(UG) ASPIRANTS - 2020

FORM ISSUE 14/02/2020

CLASS STARTS 16/03/2020

SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS SCORING in X (2018)/XII Sc. (2018/2019)

* 85% & above - FREESHIP * 75% to 85% - 20% Concession
* 65% to 75% - 15% Concession * 60% to 65% - 10% Concession

ELIGIBILITY :- 10+2 (Sc) Passed/ Appeared COURSE FEE :- RS. 10,000/-

FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6014/4Feb-6April (alt)

RKM FOUNDATION CENTRE
(FULLY RESIDENTIAL COACHING CENTRE FOR BOYS)
SPECIALLY FOR THE ENTRANCE TEST FOR CLASSES III, IV, V & VI OF
1. RAMAKRISHNA MISSION SCHOOLS 2. SAINIK & NAVODAYA SCHOOLS 3. DELHI PUBLIC SCHOOLS
SHRI RAMAKRISHNA ASHRAMA, IMPHAL
Regd. No. 904 (Act XXI of 1960)
LAIRIK YENGBAM LEIKAI, SALAN LEIRAK, IMPHAL EAST
ADMISSION GOING ON LIMITED SEATS



FOR DETAILS, PLEASE CONTACT: MAIBAM ROSHNIKUMAR
(EX- STUDENT RKMV, DEOGHAR) # 7005138304, 9856210245

School with Hostel for Boys and Girls (Class V-XII)
SIDDHARTHA INTERNATIONAL SCHOOL
AN ENGLISH MEDIUM SENIOR SECONDARY CO-EDUCATIONAL SCHOOL
G.T. ROAD SAMALKHA, DISTT. PANIPAT, HARYANA (INDIA)
Ph. No. 7005138304, 8585999195
Email : info@sispanipat.com I Website : www.sispanipat.com



MEDICAL NON-MEDICAL COMMERCE HUMANITIES
Apply for Admission Test on 29th March’20
Annual Fee structure for Hostelers (st/sc/obc) 1,35,000/- only (Class V-XII)
Your Future Our Responsibilty
HL-B/6113/6/3-9/4

NIT
NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE

CLASS IX & X (BOSEM)
CLASS STARTING - 1st APRIL, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

CLASS XI & XII SC. (COHSEM)
CLASS STARTING - 6th APRIL, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR

RIMC (DEHRADUN) & AIRMAN CLASS VIII ENTRANCE EXAMINATION
EXAM DURATION : 1st WEEK OF JUNE & DEC.
TIME : MORNING & EVENING SHIFT
SPECIAL TUTOR: SIR ARUN

CLASS VI TO VIII (BOSEM & CBSE)
CLASS STARTING - 18th MARCH, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07.30 p.m.

* Day Boarding Facilities.
* Class test will be conducted on every Sunday.
* Carrier Counselling for future study.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Study Material will be provided.
* Transport & Hostel facility will be available.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-P/6054/13to18march

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal

The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur

ADMISSION OPEN

Starting from: 6th April

Class XI (Sc.) CBSE/COHSEM

Class X CBSE

Great Privilege to 2020 Class X appearing Students

40% concessions for first 20 students
20% concessions on next 25 students

Regular Test series
Boys & Girls Hostel
Van service

HL-B/6054/13/2-18/3

ꯍꯥꯏꯅꯣ / নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা তানবা য়ারগনি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-P/6429/19feb-24march